ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯃꯦ ꯱꯶, ꯲꯰꯱꯹, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯳ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯴꯸ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেন, মে ১৬, ২০১৯, ইম্ফাল
৪৩শুবা চহী, ৪৮শুবা মশীং

# মোদি লৈঙাক্কী অখন্নবা থৌরাং

## আই পি এস/আই এ এস ওফিসরশিং মথৌ নিংথিনা তৌহন্নবা হোৎনরকপা

অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিং য়াওনা লৈবাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমদা মথৌ তৌরিবা ইন্দিয়ন পুলিস সার্ভিস (আই পি এস) ওফিসরশিংগী মথক্তা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিনা অখন্নবা মৎয়েং চঙবা হৌরে। মিনিষ্ট্রিনা আই পি এস ওফিসর ১,১৮১গী হৌখিবা চহী অহুমগী সার্ভিস রেকোর্দ কূপ্না য়েংশিল্লগা মথৌ ফজনা তৌদ্রবা অমসুং কান্নদ্রবা ওফিসরশিং খন্দোক্কদৌরি। রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না ওল ইন্দিয়া সর্ভিসেস (দেথ-কম-রিটয়ারমেন্ট বেনিফিটস) রুলস ১৯৫৮গী মখাদা পায়খৎলক্লিবা থৌরাং অসিগী শরুক অমা ওইনা আই পি এস ওফিসর ১৮১গী সার্ভিস রেকোর্দ য়েংশিল্লবা মতুংদা ওফিসর ১০ থবক্তগী পোত্থাহনখ্রে। পব্লিক ইন্টরেষ্টতা ওফিসরশিং অদু মশাগী থবক তৌগদবা মতম ৱাৎলিঙৈদা নমদুনা থবক্তগী পোত্থাহনখিবনি। রুল বুক্কী মতুং ইন্না ওফিসর অমা থবক্তগী নমদুনা পোত্থাহল্লমদাইদা থা অহুমগী তোলোপ পূন্না পীথোকখিগদবনি নৎত্রগনা থা অহুম ৱাৎলিঙৈদা অইবা চেরোল পীদুনা মশাদা হান্না খঙহনগদবনি হায়রি। সেন্টরনা ওফিসর পূন্নমক মথৌ নীংথিনা পাঙথোকহন্নবগী পান্দমদা মরী লৈনবা ষ্টেট লৈঙাক্কা তানদুনা অখন্নবা থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি। হোম মিনিষ্ট্রিগী দেটা মতুং ইন্না আই পি এস ওফিসর ৪,৯৪০ লৈগদবদা হৌজিক লৈবাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমদা ওফিসর ৩,৯৭২ মথৌ তৌরি। চাং নাইনা সার্ভিস রেকোর্দ রিভিয়ু তৌবগী থৌওং অসিনা করম করন্বা ওফিসরশিং মথৌ নিংথিনা তৌবগে হায়বদু খঙবা ঙম্লি। রিভিয়ুগী রিপোর্টতা য়ূন্স্ফম ওইরগা থবক ফজনা তৌবা ওফিসরশিংবু পূক্নিং থৌগৎপগা লোয়ননা মথৌ তৌদবা ওফিসরশিং মীয়ামগী ইন্টরেষ্টতা নমদুনা থবক্তগী পোত্থাহল্লি। কুমজা ২০১৫দগী কুমজা ২০১৮ ফাওবদা ইন্দিয়ন এদমিনিষ্ট্রেটিভ সার্ভিস (আই এ এস) ওফিসর ১,১৪৩গী সার্ভিস রেকোর্দ য়েংশিনখিবগা লোয়ননা ওফিসর মরি থবক্তগী নমদুনা পোত্থাহনবা লৈখ্রে। মতৌ অসুম্না ওফিসরশিং মথৌ নিংথিনা পাঙথোকহন্নবা থৌরাং লৌখৎলিঙৈগী চৈরক্তা আই এ এস অমসুং আই পি এসকী কাদর পীবগী মতাংদা য়েৎনবা ৱাফম অমা থোরক্লে।

সেন্টরনা আই এ এস অমসুং আই পি এস কাদর পীবগী থৌরাং নৌনা লৌখৎকদবনি হায়না দিল্লি হায় কোর্টনা য়াথং পীখ্রবা মতুংদা মখা তানা য়েৎনরকপদগী সুপ্রিম কোর্ট য়ৌরকখিবনি। জষ্টিস ইন্দিরা বেনর্জি অমসুং জষ্টিস সঞ্জিব খনাগী বেঞ্চনা মে ১৭তা হিয়ারিং চত্থগদৌরিবা ৱাপম অসিগী মতাংদা সোলিসিটর জেনরেল টুশার মেহতানা হায়খি, কুমজা ২০১৮ বেটচকী আই এ এস অমসুং আই পি এস ওফিসর পূন্নমক ত্রেনিং লোইদুনা মে ১০দগী থবক্তা জোইন তৌনবা শেম শারিঙৈদা দিল্লি হায় কোর্টকী য়াথং অসি পীরকপনি। মীওই মরিনা ফাইল তৌরকপা পিটিসন মতুং ইন্না ফোর্ম পীশিনবদা কেন্দিদেটশিংনা খনখিবা প্রিফরেন্স অমসুং সিভিল সার্ভিস এগজামগী মেরিটতা য়ূন্স্ফম ওইরগা কাদর পীগদবনি হায়রি। কুমজা ২০১৭কী জুলাই ২৪দা প্রাইম মিনষ্টির নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক্না ওল ইন্দিয়া সার্ভিসেসকী কাদর পীনবগী মতাংদা অনৌবা থৌশিল অমা চৎনহনবা হৌখি। অনৌবা থৌশিল অসিগী মখাদা ইন্দিয়ন এদমিনিষ্ট্রেটিভ সার্ভিস, ইন্দিয়ন পুলিস সার্ভিস অমদি ইন্দিয়ন ফোরেষ্ট সার্ভিসনচিংবা ওল ইন্দিয়া সার্ভিসকী কাদর ২৬কা মরী লৈনবা জোন মঙা শেমখি। জোন ১দা য়াওরিবা কাদরশিংদি অরুনাচল প্রদেশ, গোৱা, মিজোরাম অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিং লোয়ননা জম্মু এন্দ কাশ্মীর, হিমাচল প্রদেশ, উত্তরখণ্ড, পঞ্জাব, রাজস্থান অমদি হরিয়ানানি। জোন ২দা উত্তর প্রদেশ, বিহার, ঝরখণ্ড অমদি ওরিষা য়াওরি। জোন অহুমদা গুজরাট, মহারাষ্ট্রা, মধ্য প্রদেশ অমসুং ছটিশগর, জোন ৪দা ৱেষ্ট বেঙ্গল, সিক্কিম, অসাম, মেঘালয়া, মণিপুর, ত্রিপুরা অমদি নাগালেন্দ অদুগা জোন ৫দা তেলঙ্গনা অন্ধ্র প্রদেশ, কর্ণাটাকা, টামিল নাদু অমদি কেরলা য়াওরি। অনৌবা থৌশিল অসিগী মখাদা কেন্দিদেটশিংনা জোন অমদগী কাদর/ষ্টেট অমখক খনবা য়াহল্লে। অনীশুবা, অহুমশুবা, মরিশুবা অমসুং মঙাশুবা কাদরনা তোঙান তোঙানবা জোনশিংদগী খনগদবনি। অয়ান্বা মতমদা কেন্দিদেটশিংনা মশা-মশাগী পোক্লফম ষ্টেটপু অহানবা প্রিফরেন্স ওইনা খনবা তারগসু অনৌবা থৌশিল অসিগী মখাদা করিগুম্বা বিহারগী কেন্দিদেট অমা সিভিল সার্ভিসেস এগজামদা মায় পাক্লকপা থোক্লবদি তঙাইফদনা খা থংবা ষ্টেটশিং অমসুং অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিংদা থবক তৌদবা য়াররোই। অনৌবা থৌশিল অসিগী অচুম-অরানদি কোর্টনা লেপচরসনু। অদুবু আই এ এস/আই পি এস ওফিসরশিংগী সার্ভিস রেকোর্দ য়েংলগা মতম শুদনা থবক্তগী পোত্থাহন্নবগী মতাংদা পায়খৎলক্লিবা থৌরাং অসিদা লৈঙাক পায়রিবা পোলিটিসিয়নশিংনা মখোয় মখোয়গা য়ানবা ওফিসরশিং থমহৌরগা য়ান্নদবশিং নমদুনা থবক্তগী পোত্থাহনবা য়াদনবা থৌশিল অমসু শেমহৌবা চুমগনি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯৬

১। মৈতৈ লৈবাক্তা থায়নদি মতম তাকপসি তানয়ৈবগী পূংশিংদা চৎলম্মী। মদু ঘড়ীগী পূং নত্তে। মদুবু মৈতৈ পূং হায়না খঙনৈ।
(ক) মিনিট কয়ারোম্না মৈতৈ পূং অমগা মান্নবগে?
(খ) য়ুথক অমা হায়বসিনা মৈতৈ পূং কয়ানা শাবগে?

২। "নমিৎ পাল্লি উদরে, নখূৎ পাল্লি পায়বা য়াদরে।" পরেং অসি মহাকবি অঙাংহলগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।

৩। "শিদুনতা লৈরবা নঙনা/লানগী শাজেল অমুক তৌরিবা?" পরেং অনী অসিনা কবি বিরেন্দ্রজিৎকী শৈরেং অমদগীনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। "নুংশিবা! নঙবু ঙাইবদা ঐ ৱারে। ঐ চৎলে কাছারদা ইমাগী মনাক্তা। করিগুম্বা নহাক্না হল্লক্লবদি... খোঙ্গুল লীবিরকউ।" পরেং অহুম অসিনা সনাতোন্বীগী ৱারীমচা অমদগী লৌথোকপনি। ৱারীমচাদুগী মমিং হায়য়ু।

৫। "নোংমদোন অতিয়াদা ঙানবা থাজদি মায়হিং কায়দো, হিড়ম্বা লৈবাক অসিদা ঙাল্লিবা থাজ অসিদি মায়হিং কাদেদো।" অইবা কব্রন্বম নীলকান্তগী উপন্যাস অমদগী লৌথোকপনি। মায়হিং কাদ্রিবা থাজসি কনাবুনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ৩০, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯৫গী পাউখুম ৩ চুম্না থাবীরকখিবীদি

**১) সগোলশেম লল্লেবী চনু, লংথবাল কুঞ্জ ময়ায় লৈকায় (৩)**

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ৯৫গী ৱিন্নর

***সগোলশেম লল্লেবী চনু, লংথবাল কুঞ্জ ময়ায় লৈকায়***

লিটরেরি ক্যুইজ ৯৫গী মনা লান্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম মে ১৯, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লান্থোকচগনি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯৫গী পাউখুম

১। মণিপুরগী য়েক সলাই খুদিংগী লাইফম অপোকপগী খুভমদা লৈনুংদা য়োৎনা শাবা লেপ শুম্বল মানবা অমা ফুমদুনা থম্লে। মথক্তনা খাবৈ মওং মান্না য়োৎনা শাবা অমসু য়ুংনৈ।
(ক) লৈনুংদা ফুল্লিবদু মমাগী খুদমনি। করি কৌই? ***: থীনবী***
(খ) মথক্তা য়ুংলিবদুনা মপাগী খুদমনি। অদুনা করি কৌই? ***: খলোং***

২। "হে নুপী! নখোয়না অসুক থাজগল্লিবসিবু... করিগীনো?" পরেং অসি শাজৌ কৌবা অমনা মাগী নুপীনা মন্ত্র যন্ত্র থাজগনবা অদুদা পেন্দনা হায়রিবনি। ওজা জি সী তোংব্রাগী রেডিও দ্রামা অদুগী মমিং হায়য়ু। ***: 'নুপীগী মমল'***

৩। "কিরম্বদগী কিরত্তে/মিৎ উইশিল্লগদুম চৎনিংলক্লে।" পরেং অনী অসিনা কবি ভুবনস্নাগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেং অদুগী মমিং হায়য়ু। ***: 'পাতালগী লৈবাক্তা'***

৪। "পুন্সিদি শৈরেংনি/... শৈরেং য়াওদ্রবা পুন্সি/নত্তে অশেংবা পুন্সি।" পরেং অহুম অসিনা 'নোংজু নঙনা' কৌবা শৈরেং লাইরিক অদুদগী লৌথোকপনি। অইবী অদুগী মমিং হায়য়ু।
***: চিঙ্গাংবম সঙ্গায়জাওবী***

৫। "অশেংবা থৱায় অমনা/কোইপাই পাইদ্দুনা থিরি/হকচাং পোলাং অমা।" পরেং অহুম অসিমনা 'ৱাথোক' কৌবা শৈরেং লাইরিক অমদগী লৌথোকপনি। মপালগী অইবা অদুগী মমিং হায়য়ু।
***: মৈ ভগৎ***

# ফিলোজোফি, পুন্সি, লান অমসুং শান্তি

**সোইবমচা ইন্দ্রকুমার**

'অঙাওবা' হায়বা ৱাহৈ অসিগী অতোপ্পা মফোঙদোক অমনি - ৱাখলগী লায়না নারবা মী। মীনা হায়বই হায়বনি- ঐমক্তি য়ানীংদে 'ৱাখল' হায়বসিবু নাবা য়াবা পোৎলনে! ৱাখল হায়বদু খল্লিবা হকচাং কয়াৎ- কোক/থোপ/ব্রেন'দুদি নাবা য়াই, মথৌ নিংথিনা তৌবা ঙম্লক্তবা ওইবা য়াই, খনফম থোকপা (মীনা খন্নরিবা) ৱাখল অদু খল্লক্তবদি য়াই ... অদুবু, 'ৱাখল' দুদি নাবা হৌনদে, ৱাহৈ অসি অরানবনি। খঙদে, মীনা হায়নবা ৱাহৈ হায়রুদবা ঐহাকমকসু লানবা য়াই।

য়ূমগী চঙফম (কোন্থোং) দা ময়েক শেংনা, ফজনা থাবই মথক্তা, য়ূমদুগী মাঙ্গোন কাখৎলগা থোঙদুগী মনাক্তা নীংথিজনা 'ডাক্তর চীংলেনস্না' হায়না থাবদুদা নোংমা, নুপী অমা হোবে হোবে চঙলক্লম্মী। শকখঙদবী নুপী অমনা ইমুং য়ৌনা মনাক্তা চঙশিল্লকপদুদা চীংলেনস্না ঙকপনা খম থেংলম্মী।

'ডোক্তর, ঐগী পুক অসে অশাবা মহী থকচিল্লুরবগুম প্রোক প্রোক চাক্লে, কৈদৌরগে অমুক্তা য়েংবীয়ু', নুপীদুনা হায়রকই।

'ইচে, ঐদি ডোক্তর ওফ ফিলোজোফি, এম ফিল হায়বদুনি'

'হা! ফিলোজোফিগী ডোক্তর! মদুনা করম্বা অনাবনো?'

ৱাখলগী তাইবঙদা তাউজরগা পেঞ্জবা, মীনা খন্নদবা ৱাখল খনবা, ৱাখলদা মীমান্নদবা মী মখল অমনি 'ফিলোজোফি'দা হৈনজবা মী'। ফিলোজোফর হায়বদুমক্তি কৌরুবা য়াদে। অদু ওইরবদি 'অঙাওব'সু অমরোমদা ফিলোজোফরনি। তৌববুদি, ফিলোজোফর খুদিংমক মাগী মাগী মতমদা অঙাওবনি হায়না লৈপাক্না ইন্থোকপীখিবা ঙাক্তনি। ইন্থোকপীবদই হেন্দোক্তুনা হাত্তোকপীবসু য়াওখ্রিবনি।

য়েস! ৱারীসিদা নুপীসিনা খঙদদুনা হায়খিবা ওইরবসু, মানা হায়খ্রিবদু য়াম্না চুম্মী। ফিলোজোফি হায়বসি লায়না মখল অমনি। লায়েংবা ৱাবা, লায়েং পাম্বৈ পুথোকপা ঙমদ্রিবা কেন্সরগুম্বা লায়না অমা। লায়না খুদিংমক্কী 'লায়েং মেথদ' পুথোক্লবা থিজিন-হুমজিন তৌবা (রিছার্সর) কাঙবুনা খ্বাইদই মরু ওইনা লৌবসি লায়নাদুগী হৌরকফম (কোজেল ফেক্টর) অদুনি। ফিলোজোফি- লায়নাসিগী মতাংদা লুরিবসি - হৌফম মশক খঙদবসু নত্তবা, খঙনা খঙনা করিমত্তা তৌবা ঙমদবা - অসিনি। ৱাখলগী হৌরকফম 'পূক্নিং' হায়বসিনা ওই হায়রিবনিনা ৱাখলদই থোকপা 'ফিলোজোফি' - ফিলোজোফিগী হৌফমসু 'পূক্নিং' ওইবা তাবনি। অদুবু, লুরিবদি পূক্নিং হায়বসিসু লৈ/লৈতে মরৈ অমা থোক্লক্লিবা অসিনি। ফিলোজোফি হায়বসিমকসু 'লাই লৈ/লৈতে'গী মরৈদগী থোকখিবনিদনা! চহী লিশীং মঙা চূপ্না মরৈ অসি য়েৎনরকপা - ঙসি ফাওবা লোইদ্রিবসিনি। অদুনা ঙসিদি য়েৎনরিবা মরৈ অসিগী নাক-অমত্তা লেপ্তুনা 'ঐ খঙদে' হায়বসিনা খ্বাইদই অচুম্বা পাউখুম ওইরগনি খন্নরক্লে। য়েৎনবগী লোইবা নাইরোইদবা মরৈনি। খঙদবসু খঙদবনি। খঙলবদি থিরম্লোই। খঙদবদুনা থিরিবনি। মীওইবনা ৱাখল খনবা লেপত্রিবা, তাইবঙসিদা খঙদবগী খঙদবা, খঙদব'তনা থন্দুনা তৌরিবনি। খঙলম্নবদি ৱাখল খনবসু লেপ্পল্লগদবনি।

মতাংসিদা 'ওমো রজনীস' কী ৱা অমা নীংশিংলকই - ফিলোজোফি হায়বসি তৌশিন্নবা ঙাক্তনি, ওইদ-পাদ শেমজিন-শাজিনবা ৱাহৈ ময়াম পরেং লেংদুনা শান্নবনি, অচুম্বা ৱা ওইরম্লবা অনীশুনা ঙাঙনরম্লোই... অচুম্বদি অনীশুনা তোখায়না লৈবা ঙমদে অমত্তা হেক্তা ওইখিগনি, ওইদবা অরানবা ৱা ওইবদুনা পুনশিন্নবা য়াদনা তোখায় তোখায় লৈরিবনি'...।

ফিলোজোফিকল ওইবা আইদিয়া অমা, মীরোল অমদই অমদা লোইনাইদনা য়েৎননীংঙাই ওইবা হীরম অমা ওইনা অসুম লৈরিবা, মরমসিনা ওইবা তাই। নিউতনগী 'থিওরি ওফ গ্রেভিটি'- অনীশুবা, কনাগুম্বনা শীংনরকপা থিওরি অমা থোক্লক্তেদনা! অচুম্বা থিওরি ওইবননি।

'থিওরি ওফ রিলেটিভিটি' পুথোক্লম্বা, মালেমগী অফাওবা সাইন্টিষ্ট 'সার অলবর্ট আইনষ্টাইন'বু নোংমা, মাগী মরুপ অমনা চাকলেন অমগীদমক ময়ূমদা কৌরম্মী। মহাক্তা নত্তে, মতমদুগী মমিং চৎলবা সাইন্টিষ্ট কয়াসু দিন্নর-পার্টিদুদা য়াওরম্মী। য়ূম্বু ওইরিবা নুপাদুগী লূনা তিন্নজবা মরুপ অমসু চাক্লেন্দুদা মরুপ্তুনা চেবাউ পীদুনা কৌবজাৎনি। লাইরিক ময়েক চত্তবা, পঙবদগী পঙলবা লৌশিং-গ্যান মচেৎ অমত্তসু লৈতবা, ৱাচোয় ঙাঙ্গনবা ওইনা মমিং লৈর' মীসিবু করম' কৌরুবা ঙাঙনরকই। অৱাংবা থাক্কী লৌশিং লৈবা মীয়ামদুগী ৱারী মরক্তা, মাগী ৱা খরদু কারন ওইনা থোক্লবসু য়ূম্বদুনা তান্থোক্লুবা ঙমদরে। অফাওবা সাইন্টিষ্ট আইনষ্টাইন'নি খঙলকপা, মীনা ৱাহং হংনবদু তারগা মাসু অমা হংনীংলক্লে।

'সার আইনষ্টাইন! 'টাইম' (মতম) হায়বসিগা 'ইটর্নিটি' (লোইনাইদবা) হায়বসিগা অনীসি করিদা খেন্নবগে? অমুক্তা শেংনা তাকপীয়ুবা'।

অদুক শিংলবা সাইন্টিষ্টতো অদুক চম্বা ৱাহংদুগী পাউখুম পীবা ঙমখিদে। মহাক্না হায়খি... 'ঐহাকথকসিদতা নত্তে, ঐগী তুংদা লাক্তদৌরিবা লোইনাইদবা মতম পূম্নমকসিদা, খেন্নবা অসি কনানসু হায়বা ঙম্লোই'...। আইনষ্টাইন'না করিগুম্বা ফিলোজোফর অমা ওইরম্লবা, শেমজিন-শাজিনবা ৱাহৈ খরনা অপঙবা নুপা অদুদা অতোপ্পা ৱাখল অমগী মরূ হুল্লমগনি। অনৌবা ফিলোজোফি অমা শেম্লমগনি।

ফিলোজোফি হায়বা সবজেক্ট অসি, ঙসিগী মীরোল অসিদা তম্বা য়াবা হীরম অমা ওইনা কনামত্তনা খন্নরক্তবসু পাবদদি নুংঙাইবা মথেল কয়ানা থনবনি। অইবা খোরিরোল'দসু খজিক্তং কোচি থাংবা, খঙবদা ৱাবা ৱাহৈ-ৱাতা শীজিন্নরুবা, হায়রক্কনি - লাইরিক অসি ফিলোজোফিকল ওই। কনানোমনা হায় - পুন্সি হায়বসি পন্থুং অমা তম্না চৎলিবা খোঙচৎ অমনি। অমন'মুক হায়গনি - পুন্সি হায়বসি পন্থুং লৈত' খোঙচৎনি, শিব'না পুন্সিগী পন্থুং নত্তে। পোকপা-শিবা হায়বসি পুন্সিগী হৌফম অমসুং পন্থুং নত্তে। ৱাখল লৈবা শাবা কনাগুম্বনা হায়রম্মী - মীওইবগী হকচাংনা শিখিদুনা মাঙল'সু 'থৱায়' মাদি শিবা নাইদে, অতোপ্পা হকচাং অমদা অমুক অহীংবা ওইনা চঙখিনি। অতোপ্পা অশিংবা অমনা অমুক করেম্নে -ননসেন্স! ৱাখল য়াওদবা কনাগী খূৎশেমনো থৱায়? চহী লিশীং কয়াদগী মরৈ অসি য়েৎনরক্লি, য়েৎনখিনি।

পুন্সি হায়বসি থেসিস অমদি এন্টি-থেসিস হায়বা উনবা শুকয়া য়ারোইদবা মান্নদবা অনীনা পূল্লগা শেম্বনি। ঐখোয় কনানসু শেম্লুবা নত্তে, মথন্তা ওইজরকপনি - পোক্লবদি শিবা, মম্লবদি ঙাল্লকপা, নুংশিরুরবদি তূক্কচ্চরকপা, আশা অমদি নীংবা কায়বা ... পুরা ওন্ন-তৈনবা! বুদ্ধনা হায়, 'পূম্নমকসি ওন্ন-তৈনবা নত্তে, তোঙানবা নত্তে অমত্তনি - অনীগী মরক্তা অমা খনগে খল্লুনু, অমা ফংলবদি অমদুসু ফংগনি।

বুদ্ধগী ৱাহৈ অসিদি 'ফিলোজোফি' নত্তে 'অচুম্বনি'- হিংবা হায়বসি শিবগী শক্লোন অমনি। খুন্নাইসিদা শান্তি পুরক্লবা, লান- তঙায়ফদবা অমনি। লান তৌদনা শান্তি লাক্লোই - আ মথায় থায়না মমাঙঙৈদা শ্রীকৃষ্ণনা হায়খ্রবনি। শিদ্রবগী পুন্সিগী ৱাহন্থোক লৈতবদুগুম, লান তৌদনা শান্তি হায়বদু মশক খঙবা ঙম্লোই কৈদৌনুংদা।

# মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা ওইরক্লিবা ফীভম - ৬৯

**উসম ধনঞ্জয়**

**জুন ১৯, ২০০৯ :** থা অসিগী ৭তগী ১৩ ফাওবা চাইনাগী ঝুহৈদা পাঙথোকপা এসিয়ান বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ, ২০০৯দা ইন্দিয়াগী বোক্সিংগী পুৰারীদা চহী ১৫গী মতুংদা অমত্তা ঙাইরবা গোল্ড লৌখিবা ময়াং ইম্ফাল উচিৱাদগী ময়েংবম সুরঞ্জয় ঙসি ইম্ফাল এয়রপোর্টতগী মীয়াম্না বেন পার্টি অমগা লোয়ননা ওকখ্রে।

ওকপা অদুদা ময়াং ইম্ফাল এ সীগী এম এল এ ডা. কে ঐচ রতনকুমার অমসুং সাই (স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া) গী ওফিসলশিংসু য়াওখি। বোক্সর অসিনা মণিপুরগী মীংচৎ পুরকখিবগীদমক হরাওবা ফোঙদোক্তুনা এম এল এ ডা. কে ঐচ রতনকুমারনা লুপা লিশীং ৫০ পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি।

কে জি ৫১গী কেটেগোরিদা গোল্ড মেদল ফংবা ঙম্লকখ্রবা ময়েংবম সুরঞ্জয় উচিৱা লৈরক অচৌবদগী ইনাকখুনবা অমসুং তম্পাকলৈ অনীগী মচানুপানি।

অমরোমদা, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চনবা খোইজুমান্দগী চেম্পিয়নশিপ অসিমক্তদা কে জি ৪৮গী কাঙলূপ্তা সিলভর মেদল ফংলকখ্রবা থোকচোম ননাওসু লমদম অসিগী মীয়াম অমদি মায়কৈ অদোমগী মীয়াম্না তরাম্না ওকখি।

**জুন ১৯ :** ককচীং শুমাক লৈকায়দগী থিকাদার য়েংখোম কৃষ্ণদাসপু লুপা লাক্ষ ২৫গী শেনফম অমা লৌথোকখ্রগা হাত্তোক্লম্বা অদুদা চেন্নবনি হায়বা মীওই অমা ঙরাং নুমিদাং পুলিসনা ফাগৎখ্রে।

পুলিসকী পাউনা হায়, সেন্ত্রেল জেলদগী ফাদুনা ৱাহং পাউহং চত্থরিবা নন্দোনা হায়দোরকপদগী ঙরাং নুমিদাং পাউনা বজারদগী মীওই অমসু ফাগৎপা ঙমখি।

মহাক্কী মমিং থৌনাওজম ইঙোচা (৪৫) অপোকপগী মীংনা নুপামচা কৌই, হাওরৈবী ময়ায় লৈকায়দগীনি। মহাক্না লৈমিন্নরম্বা অতোপ্পা মীওই অহুম অমসু ফাগৎতুনা ৱাহং পাউহং চত্থখি হায়না পুলিসকী পাউ অসিনা মখা তারি।

অমরোমদা, কৃষ্ণদাসকী ইমুং মনুংনা মহাক্কী থাদোকমল ওইনা লুপা লাক্ষ ২৫ খূৎশিন্নখি হায়বী সেরাম আশালতা ঙসি সী জে এম ইম্ফালগী কোর্টতা পুথোক্লবা মতুং জুন ২২ ফাওবা মখা তানা পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ লৌথখ্রে।

আশালতানা হায়দোরকপদগী মীহাৎ অসিদা চেন্নবা নুপী অমসু ফাগৎলগা ঙরাং নুমিদাং পুং ১০ রোম তাবদা কৈশাম্পাৎ থিয়াম লৈকায়দা লৈবা য়ূম অমদা পুলিসনা রেদ চত্থখি। অদুম ওইনমক ময়ূম অশেংবা শন্দংখোংদগী নুপী অদুদি মাঙজৌননা মফমদু থাদোক্তুনা চৎলম্বদগী ফাগৎপা ঙমখিদ্রে হায়না পুলিসনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

**জুন ২০ :** ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্তকী তোঙান তোঙানবা মফম অনীদা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্পবনি হায়বা থৌদোক অনীদা কম্বাইন্দ ফোর্সেসকী খূৎতা মীওই মরি শিখি। অমরোমদা, কম্বাইন্দ ফোর্সেসনা পুমলেন পাত্তা পাক-শন্না ওপরেসন চত্থখি, খুঞ্জাশিং লাঞ্জেন্নখি। ঙসিগী মীহাৎতা পুং য়ৈবা মরাল লৈতবা মীওই অমা হাৎলি হায়বদগী থৌবাল দিষ্ট্রিক্ততা ঙসি অহিং নোংয়াইদগী মতম কক্তবা জেনরেল ষ্ট্রাইক কৌখ্রে।

ঙসি নুংথিল পুং ৪.৩০ রোম তাবদা ময়াং ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসন্দগী খারোমদা কিলোমিটর ৩ লোম চৎলগা লৈবা ময়াং ইম্ফাল বেঙ্গুন অমসুং উচিৱা অৱাং লৈকায় লৈরক অনীগী লোন্নবা মফম অমদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ত পুলিস কম্মান্দো অমসুং ১২শুবা মরাথা লাইট ইনফেন্ত্রিগী কম্বাইন্দ ফোর্সেস টিম অমগী খূৎতা মীওই অনী শিখি।

পুলিসকী পাউনা হায়, কম্বাইন্দ ফোর্সেস টিম অদুনা ইম্ফাল তম্না থৌগৎলকপা বোলেরো গাড়ী অমা চিংনবদগী খাম্লুবদা গাড়ী মনুংদগী নোংমৈ কাপশিল্লকখি। কম্বাইন্দ ফোর্সেস টিম্নসু হন্দুনা কাপ্পখি। কাপ্নবা অদুদা মীওই অনী শিখি অদুগা দ্রাইভর য়াওনা ৩না নান্থোক্তুনা চেনখি।

মীওই অনী অদু বোলেরো অদুগী মনিং থংবা সিটতা শিরগা লৈরম্বনি। মখোয়দগী এ কে ৫৬ রাইফল অমা, মেগজিন অনী, নাইন এম এম পিষ্টোল অমা, মরূ ৩ য়াওবা মেগজিন অমা ফংই হায়রি।

লৈখিদ্রবা মীওই অনী মশক মমিং খঙবা ঙমখ্রে। মখোয় অদুদি ৱাইখোম কেনেদি (২৪), অপোকপগী মীংনা ধীরেন, থৌবাল ৱাংমাতাবা অমসুং থোকচোম সোমোর্জিৎ (২৪) অপোকপগী মীংনা য়াইমা, থৌবাল বজাররনি। কেনেদিগী অপোকপা ধীরেন থৌবাল দিষ্ট্রিক্ত পুলিসতা এটেচ তৌদুনা লৈবা মণিপুর রাইফলসকী হবিলদাররনি হায়রি।

ইমুং-মনুংদগী ফংবা পাউগী মতুং ইন্না মখোয় অনী ঙসি ঐচ আর দিদা কেনেদিগী মচননুপী মিং চনবা চৎখিবনি হায়রি।

মরাল লৈতবা পুং য়ৈদুনা হিংজবা থোকচোম সোমোর্জিৎপু কম্বাউন্দ ফোর্সনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবগীদমক ঙসি থৌবাল অৱাং লৈকায়দা অশেম অঙৌবী, কাউন্সিল্লরনা চেয়রপার্সন ওইদুনা নুমিদাং পুং ৭ তাবদা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুনা ঙসি জুন ২০গী অহিং পুং ১২দগী হৌনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ত পূম্বা মতম কক্তবা জেনরেল ষ্ট্রাইক তৌবা, জুদিসিএল ইনক্বারি তৌদুনা অচুম্বা পুথোক্ত্রি ফাওবা দেথ বোদি লৌদবা, মরাল লৈবা কম্বাইন্দ ফোর্সকী পার্সনেল থবক্তগী টর্মিনেট তৌবা, ইচম চমজবা টি ঐচ সোমোর্জিৎ হাৎখিবগা মরী লৈননা জে এ সী এগেনষ্ট ব্রুটেল কিল্লিং ওফ টি ঐচ সোমোর্জিৎ হায়না শেম্বা হায়না ৱারেপ লৌখি।

অতোপ্পা অমনা, ঙসি নুমিদাং পুং ৭.৩৫ রোম তাবদা ইম্ফাল ইষ্টকী পোরোম্পাৎ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা বারুনি রোদ টোপ মখা লৈকায়দা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ত পুলিস কম্মান্দো অমসুং ১৮শুবা আসাম রাইফলসকী অপূনবা খূৎপু অমগা নোংমৈ কাপ্পবনি হায়বা থৌদোক্তা নহা অনী শিখি।

লৈখিদ্রবা নহা অনী অদুদগী নাইন এম এমগী পিষ্টোল অনী, কাপ্পা য়ারিবা মরূ ৭ অমসুং চাইনানা শাবা হেন্দ গ্রেনেদ অমা ফংই হায়রি।

লৈখিদ্রবা নহা অমগী খুদাংদা 'অৱাজ খান' হায়না থাবগা লোয়ননা নুংশিনবগী খুদম অমা য়েক্লগা সুমন হায়নসু ইরমই। অতোপ্পা নহা অমদুদনা দ্রাইভিং লাইসেন্স অমা, ভোটর আইদেন্টিটি কার্দ অমা য়াওরম্মী, মমিংনা এম দি সাইরখান অপোকপগী মীংনা জমালউদ্দিন, লৈফম্না লিলোং হাওরৈবি তুরেল অহনবী হায়না ইরমই হায়রি।

অশিবা হকচাং অনীমক পুলিসনা লৌখৎলগা রিমসকী মোর্গতা থমখ্রে।

থৌদোক অদুগী পাউ ফংবদগী মফমদুদা চঙশিন্দুনা পাউ লৌরুবা পাউমীশিং মফমদুদগী থোক্লকপদা লৈকায়দুগী নুপী ১০০ রোম্না থৎখি অমসুং গাড়ী ছো, চে-চাংনচিংবা মুন্নবা হোৎনখি।

তুংদা নুপীশিং অদুনা মখোয়গী অনীংবা অপান্বা খরা ফোঙদোক্লীংবদগী পাউমীশিং খান্নবা হোৎনখিবনি হায়না শেংদোকখি। মখোয়না হায়খি, সেক্যুরিটি ফোর্সেসনা মী ফাদুনা পুরক্লগা কাপ্তুনা হাৎপগী থৌদোক মশীং খঙদ্রে। মফমসি মীহাৎফম ওইহনবীগনু।

অমরোমদা, থৌবাল, ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্তকী পুলিস কম্মান্দোশিং অমদি ১২শুবা মরাথা লাইট ইনফেন্ত্রি অমসুং ২১শুবা অসাম রাইফলসকী অপূনবা কাঙবু অমনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্তকী ৱাইখোং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা পুমলেন পাৎতা পাক শন্না ওপরেসন চত্থখি।

ঙরাং অয়ূক অঙনবদগী কোয়শিন্দুনা চত্থখিবা ওপরেসন অদুদা মীফা মীপূন, অশোক-অপন য়াওখিদ্রবসু পাৎ অসিগী ময়ায়দা লৈবা চীংজাউদা লালহৌবশিংনা চঙজফম লৌদুনা লেক চারম্বগী খুদম কয়া ফংখি। লালহৌবশিংনা লৈরম্বনি হায়বা য়ূম কয়াসু কম্বাইন্দ ফোর্সেস কাঙবু অদুনা মৈ থাদোকখি হায়রি।

চীংজাউ অমদি তোকপচীংগী মীয়াম্না ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না ঙরাংদগী হৌখিবা ওপরেসন্দুগী মনুংদা মরক মরক্তা নোংমৈ, বোম্নচিংবা কাপ্পগী মখোল তানখি। চীংজাউগী খুঞ্জাশিংগী য়ূম কয়া মৈ থাদোকখিবগা লোয়ননা কম্বাইন্দ ফোর্সশিং অদুনা লুখ্রাবী অমনা লোয়জবা ওক তরেৎসু থোংদুনা চাথোকখ্রে হায়রি।

ওপরেসন অদু লোইখ্রবা মতুংদা চীংজাউদা চঙশিল্লুবা পাউমীশিংনা হৌজিক হৌজিক মী লৈনরিবা মানবা জিঙ্খুনা কূপ্পা য়ূম অমা উ-ৱানা শারগা ঈ চরূগুম্বনা কূপ্পা মতম কয়াগী মমাঙদগী মী লৈনদ্রবা মানবা য়ূম ১৫ রোম মৈ থাদোক্লম্বা থেংনরকপদা নত্তনা ওক্কুম্বা শা শেমখিবগী, চাখিবগী অরেমখাক কয়াসু থেংনরকখি। চীংজাউ প্রাইমারি স্কুল, চর্চ অমসুং মীতৈগী লাইশঙ অমখক্তি মৈ থারমখিদে।

সেক্যুরিটি ফোর্স অমদি লালহৌবশিং অনীগী মুক্লবদা অশোক-অপন, শিবা-নাবা য়াওরক্কদ্রা হায়না কিবদগী হান্না চীংজাউদা খুল্লিংদুনা লৈরম্বা খুঞ্জাশিং খুল অদু থাদোক্তুনা অতোপ্পা মফমদা চঙজফম লৌদুনা লৈনরি হায়রি।

হৈস্নাম ওংবী মনিতোন (৩৮) মপুরোয়বগী মীং লৈখিদ্রবা ব্রজবীধু কৌবী লুখ্রাবী অমনা ফোঙদোরকপা মতুং ইন্না কম্বাইন্দ ফোর্সেসনা মহাক্কী ময়ূম মৈ থাদোকপীবতা নত্তনা ৱানা লোয়জবা ওক তরেৎসু হাত্তোক্লগা চাথোকখ্রে হায়রি।

মহাক মপুরোয়বা লৈখিদ্রবা মতুংদা মপুরোয়বনা শাবীরম্বা চীংজাউগী য়ূমদা পিক্লিবা মচানুপী ১, মচানুপা ২গীদমক খন্দুনা য়াম্না ৱানা শূ-নোমদুনা হিংলকখি। চীংজাউগী খুঞ্জা পূম্নমক খুল অদু থাদোক্তুনা চৎনখিবদগী মহাকসু ককচীং খুনৌদা লৈবা মনাওনুপী অমগী ময়ূমদা চঙজফম লৌদুনা লৈরগা অয়ূক নুংথিলদা চীংজাউদা চত্তুনা ওক লোয়বনি। হাত্তোক্তুনা চাবীখ্রবা ওক ৭ অদুগী মমল চাউরাক্না লুপা লিশীং ৪০ রোম ওইগনি হায়না মনিতোন্না নুংঙাইতবা ফোঙদোরকখি।

**জুন ২০, ২০০৯ :** য়েংখোম কৃষ্ণদাসপু লুপা লাক্ষ ২৫ লৌখ্রগা তমথীনা হাৎখিবা অদুগী মতাংদা মীহাৎপা পুথোক্তুনা অহকপা চৈরাক পীনবগীদমক ষ্টেট পুলিসতা অকনবা ৱাফম থন্বীয়ু হায়না ঙসি জে এ সীনা মণিপুরগী গভর্ণর গুরবচন সিংহ জগৎ উনদুনা তকশিনখ্রে।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।